# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.161 | ইরাই, লাংবন ৮নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, September 09, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা কৈকোল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়রনেস প্রোগ্রামগী শক্তম অমা



সেল্ফ ইমপ্লোয়মেন্ট ভোলুন্টরি এসোসিএসন মণিপুরনা বিলো পোভর্টি লাইনগী মখাদা লৈবা ইমুংশিংদা সাইকল য়েন্থোকপা থৌরমগী শক্তম



হেলমেট উপ্তনা গাড়ী মচা থৌরকপা অমসুং হায় সিক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাদবা গাড়ীশিং মোটোর ভেহিকল অমসুং ট্রাফিক পুলিসকী টিমনা ফারগা ফাইন থীহনবা



পাৎশোই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা মথৎ চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমগী শক্তম



## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | ৩০.২৩০c | ২২.৯০০c |
| চান্দেল | এনএ ০c | এনএ ০c |
| সীসীপুর | ২৯.৯৭০c | ২১.৩০০c |
| ইম্ফাল | ৩০.৬৮০c | ২৩.১৮০c |
| সেনাপতি | ৩০.৩৩০c | ১৭.৭৯০c |
| তমেংলোং | ৩২.৬১০c | ১৯.৯৪০c |
| থৌবাল | ৩১.৩২০c | ২২.২২০c |
| উখ্রুল | ২৫.২৪০c | ১৬.৭৪০c |
| মণিপুর | ৩৩.৬৬০c | ১৬.৭৪০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৫৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# জে সী আই এল পি এসকী হান্নগী কনভিনর কে ঐচ রতন বেলদা থাদোকখ্রে

## লোক-অপ, কৈশুমশঙদা থেংনখিবা অৱাবা মীয়ামগীনি খল্লগা নুংঙাইবা পোকই : রতন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) গী হান্নগী কনভিনর খোমদ্রাম রতন ঙসি সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা বেল পীখ্রবা তুংদা লায়েংদুনা লৈরিবা জেনিমস হোস্পিটালগী সিক্যুরিটি ৱার্দতগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম থাদোকখ্রে।

জুদিসিএল রিমান্দদা লৈরম্বা রতননা মহাকপু মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীবীয়ু হায়দুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৬ তা সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। নুমীৎ অদুনা পিটিসনরগী কাউন্সেল অমসুং রেস্পোন্দেন্ট কাউন্সেলগী ৱারোলশিং কোর্ট অসিনা তারবা তুংদা রতননা বেল পীবীনবা থারকখিবা ৱাকৎ অদুগী জজমেন্ট রিজার্ব তৌদুনা থম্লকখিবনি। রিজার্ব তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অদু ঙসি কোর্ট অসিনা লাউথোক্লদুনা রতনবু বেল পীখিবনি। অদুমকপু কোর্ট অসিনা মহাকপু লুপা লাখ অমমমগী সিয়ুরিটি বোন্দ অনী অমসুং লুপা লিশিং ২০ গী পি আর বোন্দ থীহনবতা নত্তনা কেস অসিগী ইনভেষ্টি-গেসনদা অপনবা পীদনবা অমদি কোর্ট অসিগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎতনবা য়াথং পীখি।



কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা জে সী আই এল পি এসনা চথখিবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়ারিঙৈদা খোমদ্রাম রতনবু মণিপুর পুলিসনা ফাখিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ১৭ তা রতনবু ফারবা মতুং ওগষ্ট ১৮ দা জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱানগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং ওগষ্ট ২৬ ফাওবা পুলিস রিমান্দ লৌথখিবনি। ওগষ্ট ২৬ তা রতননা মহাকপু বেলদা পীবীনবা কোর্ট অসিদা হায়জখি। অদুমকপু কোর্ট অসিনা বেল রিজেক্ট তৌরগা নুমীৎ ১৫ নিগী জুদিসিএল রিমান্দ পীদুনা লৈরকখিবনি। জুদিসিএল রিমান্দদা লৈনা লৈনা মহাক জেনিমস হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি।

জুদিসিএল কষ্টদিদগী হেক থোরকপগা মহাকপু ইমুং-মনুংগী মীওই অমসুং মীয়ামনা হোস্পিটালগী থোঙজিনদা তরাম্না ওকখি। মদুগী মতুং তারকপদা জে সী আই এল পি এসকী থৌমীশিংনা টিদিম রোদতা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা ওকখি।

মহাকপু ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ইন-চার্জ বি কে মোইরাংচানা হায়খি, মতম শাংনা য়েলহৌমী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# ষ্টেট ২৬কী খুঙ্গং লু-হেনবা তান্নবদা মণিপুর ১০শুবা ফাওবদা য়াওরে

## *সিক্কিমনা পুন্নমক্তুগী লু-হেনবা ষ্টেট ওইরে*

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএন এস): লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৬কী খুঙ্গংগী লমশিং লু-হেনবা তান্নবদা সিক্কিমনা পুন্নমক্কী মকোক ওইরে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ময়ুম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটনা ১৪শুবা থাক্তা লৈহৌরে।

নেসনল সেম্পল সর্ভে ওফিস (এন এস এস ও)না হৌখিবা চহীদা চথখিবা সর্ভেগী রিপোর্ট লাউথোকপদা ঙসি য়ুনিয়ন রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ টোমারনা হায়খি, অথোই-অহেন তান্নবগী লিষ্ট অসিদা কেরলা, মিজোরাম, হিমাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, হরিয়ানা, পঞ্জাব, উত্তরখন্দ, মণিপুর অমসুং মেঘলায়ানা তরু-তনানবা ষ্টেট ১০গী মনুং চনবা ঙম্লে।

এন এস এস ওনা চথখিবা সর্ভে অদুদা খ্বাইদগী ফীভম তাদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ছটিশগর, ওরিষ্যা, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, বিহার, রাজস্থান, টামিল নাদু, কর্নাটাকা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর য়াওরে। নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্সকী মপুং ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেট ৫ খুঙ্গংগী লমদা অথোই-অহেন তান্নবদা মমৈদা লৈহৌরে।

বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়রিবা মহারাষ্ট্র অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনা ষ্টেট ২৬ কী খুঙ্গংগী লম হিদান্নবদা মথংশিংনা ১৫ অমসুং ১৬শুবা থাক্তা লৈহৌরে।

এন এস এস ওনা সর্ভে অসি কুমজা ২০১৫গী মে-জুনদা চথখিবনি। লৈবাক অসিগী খুঙ্গং ৩,৭৮৮গী য়ুমকোক ৭৩,১৭৬ কোনশিল্লগা সর্ভে অদু চথখিবনি। অথোই-অহেন তান্নখিবা অদু য়ুমকোক্কী ওইনা অমাঙ-অশোয় তৌফম তরু-তনান্না থম্বা অমসুং কম্যুনিটি টোইলেটশিং নৎত্রগা য়ুমগী অমাঙশঙ নীংথিজনা শীজিন্নবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগনি হায়রি।

মার্ক ১০০গী চাংদম্নবদা সিক্কিমনা চাদা ৯৮.২ ফংখি। কেরলা, মিজোরাম, হিমাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, হরিয়ানা, পঞ্জাব, উত্তরখন্দ, মণিপুর অমসুং মেঘলায়ানা মথংশিংনা চাদা ৯৬.৪, ৯৫.৮, ৯০.১, ৮৮.৬, ৮৭.৯, ৮৬.১, ৮০.২ অমসুং ৭৩ ফংখি। ঝরখন্দ, ছটিশগর, ওরিষ্যা, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, বিহার, রাজস্থান, টামিল নাদু, কর্নাটাকা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা মথংশিংনা চাদা ১৭.৭, ১৯.৯, ২৪.৮, ২৪.৮, ২৭.৩, ২৯.৮, ৩৫.৮, ৩৯.২, ৪৪.৩ অমসুং ৪৫.৯ ফংখি।

টোমারনা মখা তানা হায়খি, কুমজা ২০১৫ দা চথখিবা সর্ভে অসি লৈবাক শীনবা থুংনা চথখিবা স্বাছ ভারত কেম্পেইনগী শরুক অমগা মরী লৈননি। মসিদা অহোংবা কয়ামরুম উবা ফংলে। খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টকী মতাংদা পল্লদুনা ঙসি-ঙসিমক সিক্কিমনা লু-হেনবগী থবক লৌখৎপদা ৯৯.৯ ফংদুনা পুন্নমক্কী মকোক ওইবা ঙম্লে। মহাক্কী হেক মতংদা হিমাচল প্রদেশনা চাদা ৯৭.১১ ফংই। অদুগা কেরলানা চাদা ৯৬.৩৫ ফংই। গুজরাটতি মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ষ্টেট ১০ খনগৎপগী মনুংদা য়াওদ্রে। ষ্টেট অসিনা শুপ্নতগী চাদা ৫৩.৪ খক ফংই হায়না এন এস এস ওগী রিপোর্ট অসিনা পল্লি। বিহারনা চাদা ২৫.১৬ ফংদুনা খ্বাইদগী শোথরি।

## কেন্দিদেট ৫৮৮ শরুক য়াখি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ : পাঙ্গৈদা চথরিবা পুলিস কন্সটেবল (মেল/ সিভিল) ২০১৩ বেটচকী ওইনা ঙরাংদগী ঙসি ফাওবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চথরকখিবা ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্টতা কেন্দিদেট ৫৮৮ না শরুক য়াখি হায়না দি পি সী অসিগী চ্যেরমেন কে জয়ন্ত (আই পি এস)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট অসিদা শরুক য়াহৌদবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কেন্দি-দেটশিংসু মখা তানা শরুক য়াননবা খুদোংচাবা পীখিগনি। মদুগীদমক অতোপ্পা নুমিৎ অমা লেপ্লক্নি। হয়েং সেপ্টেম্বর ৯ দগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দিদেটশিংগী পি ঈ টি পাঙথোক্কনি। অয়ুক্কী পুং ৮ দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্-দৌরিবা টেষ্ট অসিদা মরী লৈনবশিংনা শরুক য়াননবা আপিল তৌরক্লি।

## গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q:** Traffic Police ki SP thamnaba cabinet na warep loukhraga thabakta onthoktabasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q:** Department singgi thabak lougani haina touribasi ayamba meekhal mamangda haidokpa ngamgadra?

Yes 07% No 93%

## অস! লোইরেহে!

ভোটকী য়ুরেম থক্লুবদগীরা...!



হন্দক্তি খরা কুংখ্রে, মদুগী চাকখাউ শাইদা হায়দুনা লৈরে...!

# এন ঐচ আর সীগী রিক্কমেন্দেসন খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকহনগদবনি : এটোর্নি জেনরেল

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮(এজেন্সী): অফবা লৈঙাক হায়বসি মনুং-মপান ফাওনা উহনবা ঙম্লবতদা ওইগনি হায়বা ৱাফম অসিদা থাজবা থম্লিবা সেন্টরনা পুলিস অমসুং আর্মিনা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং খোঙ্গাওনবা অমসুং কা হেনবা থৌওংশিং চথখিবগী মতাংদদি পূক্লিং ইচঙ চঙনিংদবদৌনা তৌরি।

অখন্নবা মায়ওন অমদা নোংমৈ কাপ্পা য়ারোই হায়না মওং তাদবা চেকশিন-ৱারোল পীরিবা মণিপুর নৎত্রগা কাশ্মীরদা এন ঐচ আর সীনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থিগৎপা য়াদে হায়না এদভোকেট জেনরেল মুকুল রোহাটগিনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

আর্মি অমসুং মণিপুর পুলিসনা চথখিবা এক্সট্রা জুদিসিয়ল ওইবা মীহাৎশিং থিগৎকদবনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংগী পাউখুম ওইনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অদুমকপু সুপ্রিম কোর্টনা করম্বা এজেন্সীনা থিগৎহনগদগে হায়বদুদি ময়েক শেংনা পনখিদে।

এন ঐচ আর সীগী মতিক ময়ায়দি রিক্কমেন্দেসনশিং পীবদগী হেল্লোই হায়বা এ জিগী অর্গ্যুমেন্ট অসি চৎননিংঙাই ওইদে। থৌদোক অমবু নৎত্রগা থৌদোকশিংবু ইনভেষ্টিগেট তৌদনা এন ঐচ আর সীনা করম্না রিক্কমেন্দেসনশিং পীবা ঙমগদৌরিবনো? হান্নগী ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিশনা লুচিংবা এন ঐচ আর সী অসি অসিগুম্বা থবকশিং অসি পাঙথোক্লবগীদমক্তা অফবা বোদি অমনি। প্রোব্লেমদি রাইটস বোদি অসিদা পাৱর মরাং কায়না শিন্নদবা অসিনি। মসিনা লিমিটেদ রিছোর্স খরগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটশিং খোঙ্গাওনবগী কেসশিং ইনভেষ্টিগেট তৌবা ঙমই। বোদি অসিনা ফংবা ইভিদেন্স অদু মসিগী চ্যেরমেন অমসুং মেম্বরশিংনা লোগী ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা কৃপ্না য়েংশিল্লি অমসুং অশোয়বশিং চুমথোক্লবগী খোঙথাং কয়া রিক্কমেন্দ তৌই নৎত্রগা ষ্টেটতা কমপেন্সেসন পীনবা ওর্দর তৌই।

রাইটস গ্রুপ অসিগী পাৱরশিংদা মসিগী ওর্দরশিং অমসুং রিক্কমেন্দে-সনশিং থবক ওইনা পাঙথোক্তবা ওথোরিটিশিংবু চৈরাক পীবদি য়াওদে। এন ঐচ আর সী অসি ইফেক্টিভ ওইহনগে হায়রবদি বোদি অসিনা, লৌরকপা ৱারেপশিং গভর্ণমেন্টনা ইনফোর্স তৌবা য়াহনগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# শক্তাকচে য়াওদনা চঙলকপা শিন্মী ৩৫ পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএন এস): মতম খরা লেপ্পুরবা তুংদা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)না মণিপুরগী মপান্দগী চঙলকপা চে-চাং শুদবা ময়াংশিং ঙসিদগী চেক তৌবা হৌখ্রে।

জে সী আই এল পি এসকী রুমেন ৱিং, ফৈদিঙ্গা মৈরা পায়বী অমসুং লোইতাং খুল্লেন নুপী লূপকী থৌমীশিংনা পূনশিল্লগা ঙসি অয়ুক্তগী ফৈদিঙ্গা কৈথেলদা চথখিবা দ্রাইভতা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা য়াওদনা ইম্ফালদা চঙননবা থৌরাং তৌরম্বা ময়াং শিন্মী ৩৫ ফাগৎখি। তুংদা ফাগৎলবা ময়াংশিং অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎননবা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখি।

রুমেন ৱিংগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা জে সী আই এল পি এসকী এসিষ্টেন্ট কনভিনর ওর্গনাইজেসন এফেয়র্স কম্মিটিগী অয়াটুর রহমন



য়ুমখায়বম্না পাউমীশিংদা হায়খি, ঙসি ফাগৎখিবা ময়াং শিন্মীশিং অদু মনিশিং এলিয়জ অসুটোস কৌবা কন্ট্রেক্তর অমনা লৈমখোংদা লৈবা লাম্নীগী হোস্পিটাল শানবদা থবক তৌননবা পুশিল্লকখিবনি। মখোয় ৩৫ সুপর জেট ট্রেভেলস (এন এল ০২/ ০৪৫৯), দা পুরকখিবনি। মাঙজৌননা মাইগ্রেন্ট ৱার্করগী মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা গাড়ী অমত্তদা মখোয়বু পুশিল্লক্তনবা হায়খিবা ৱাফম ঙাক্তবগীদমক জেট ট্রেভেলসকী মপু অমসুং মখোয়বু বস তোংনবগী টিকেট পীরিবশিংথা অসিগী১০ ফাওবগী মনুংদা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা লাক্কদবনি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা লোইতাং খুল্লেন নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট মেমচানা ফোঙদোরকপদা জে সী আই এল পি এসকী রুমেন ৱিং অমদি ফৈদিঙ্গা মৈরা পায়বী অমসুং লোইতাং খুল্লেন নুপী লুপকী এসোসিয়েসন য়াওনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগীনা নুংথিলগী পুং ১২ ফাওবা নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ফৈদিঙ্গা এরিয়াদা দিমাপুররোমদগী লাকপা গাড়ীশিং চেক তৌখি। অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা সুপর জেদ ট্রেভেলস বস অসিদা ঝরখণ্ডদগী মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ৩৫ অদু হাপ্লগা ইম্ফাল্লোমদা চঙলকখি। হায়রিবা বস অদু ফৈদিঙ্গাদা খাল্লগা চেক তৌবদা মশাগী শক্তাক চে, আধার কার্দ নত্তনা মণিপুরদা চঙলকপগী লেবর কার্দ অমত্তা য়াওরক্তে। লাক্লিবা মীওইশিং অদু ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# হেলমেট উপ্তবা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮(ঐচএন এস): ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মোটোর ভেহিকলগী মখাদা লৈবা ইনফোর্স-মেন্টকী কাঙবু অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ট্রাফিক পুলিসকা খুৎশম্নরগা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা রিমসকী গেট ময়াদা হেলমেট উপ্লক্তনা গাড়ী মচা থৌরগা লাকপশিং অমসুং হায় সিক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন নম্বর প্লেট নপ্তবা গাড়ীশিং ফাগৎখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৩ দগী লেপ্তনা চথরকপা দ্রাইভ অসিদা ঙসি টিম অদুনা হায় সিক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন নম্বর প্লেট নপ্তবা গাড়ী ১০ অমসুং হেলমেট উপ্তনা গাড়ী মচা থৌরকপা গাড়ী মচা ৩০৭ কী মরী লৈনবা মীওইশিং ফাগৎপগা লোয়ননা ফাইন থীহনখি।

পায়খৎলিবা থৌরম অসিগী মতাংদা মোটোর ভেহিকল ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইনফোর্সমেন্টকী ও সী ইন-চার্জ দিনাচন্দ্রনা পাউচে অসিদা হায়খি, মীচম মীয়ামগী পূন্সি কন্ননবগীদমক মীয়াম্না গাড়ী মচা থৌবদা হেদ গ্যের/ হেলমেট উপ্তবা য়ারোই হায়বসি মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রে। লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা মীওই কয়া শিখ্রে অমসুং কয়া অমনা শোয়নাইবগী পূন্সি মহিংদা লেল্লি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ৱাফম অসি থৌওইদনা ঐদি ফাদ্রি হায়দুনা লৈথোক-লৈশিন তৌবগী মওংদা চথবা তারবদি মদু অরানবা খোঙথাংনি হায়গনি। পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি মীয়ামগীনি। মসিদা মরী লৈনবা মীয়াম্না ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা মতেং পীফম থোকই। দিপার্টমেন্ট অসিদসু মীয়ামগী তৌবা য়াবা তৌগনি হায়রি।


18th September, 2016

MEEYAMGEE KHONGCHAT

"Meetei/Meitei bu Scheduled Tribe list ta Chalhallu"

THAU GROUND TO KHUMAN LAMPAK

Time : 10.30 a.m.

Orgd. by : Co-ordinating Body on Scheduled Tribe Demand Committee



